# সিরিয়াদা অঙাংশিংনা তম্ফম খঙদবা অৱাবা খাংলিঃ য়ু এন



*য়ু এন, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকি-মুননা হায়বদা অনৌবা রিপোর্ট অমদগী সিরিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা মুক্নবগী ফিভম অসিদা অঙাংশিংনা য়ানিঙাই ওইদবা অদুগা তম্ফম খঙদবা অৱাবা খাংলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুদা হায়বগী মতুংইন্না গভর্নমেন্টকী দিটেক্সন মনুংদা অঙাংশিংবু নাতে চাদবা লমচৎ চত্থবিবা অমদি ওৎ-নৈবিবা অদুগা অমরোমদনা রিবেলশিংনা অঙাংশিংবু লালহৌশিংগী মতেং পাংবা অমদি লান য়াওহন্নবা রিক্রুইট তৌই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুদা হায়বগী মতুংইন্না অঙাং লিশিং ১০ হেন্না পুন্সি মাঙখ্রে। অদুগা কয়ামরুমনা মফম খঙখিদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

বাননা সিরিয়াদা খুৎ থোক্নরিবা মায়গে অনিমক্তা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপা হক ঙাক শেনবীনবা অমসুং শোকহন্দনবা তকশিনখ্রে। মমাংদসু য়ু এননা গভর্নমেন্ট অমদি রিবেলশিংবু অঙাংশিংগী মায়োক্তা শাথিবা থৌওংশিং চথৈ হায়না মরাল শীখ্রবনি।

রিপোর্ট অসি য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা লানখৎপা অহানবনি। বানকি মুনগী রিপোর্ট অসিনা সিরিয়াগী কনফ্লিকনা মীচম মীয়ামদা মরুওইনা অঙাংশিংদা থোকহল্লিবা খুদোংথিবশিং খঙহনবদা মতেং ওইরগনি।

হৌজিক সিরিয়াগী রিবেলশিংনা হেন্না চাওবা অমদি কনবা খুৎলায়শিং শীজিন্নরবা মরমনা কনফ্লিক অসি অচৌবা লাঞ্জাওগী মওংদা চংশিল্লক্লে। লৈবাকঅসিদা খুৎলায় পায়বা জিহাদিসশিংনসু কার বোম অমদি স্যুসাইদ এটেক চত্থবদা অয়াম্বা মতমদা অঙাংশিংনা ভিক্টিম ওইরি রিপোর্ট অদুদা অঙাংশিংবু লান্দা চংহন্নবা অদুগা মতেং পাংহন্নবা রিক্রুইট তৌবগী মরমদসু অরুবা হিরম অমা ওইনা পল্লি।

মসিদা হায়বগী মতুংইন্না অঙাংশিংবু শীজিন্নরগা মায়গে অনিমক্লা এটেক চত্থহল্লি। লানদা লান্মী ওইবা য়াবা চহি মতাং ওইরবদি মীওৎ মীনৈ ফংবা য়াবা মতাংসু ওইরে হায়বগুম্না মায়গে অনিমক্লা অঙাংশিংবু লান্না শীজিন্নরি। অসিদসু নত্তনা অঙাংশিংদা য়োৎলিনা অমদি শাজেনা কনবা, য়োৎতেক উটেকনা ফুবা, প্রাইভেট পার্টতা ইলেক্ট্রিক শোক তৌবা, খুজিল ফুক্তোকপা, রেপ তৌবা অমদি রেপ তৌগনি হায়না কিহনবা, চুরূটনা চুবা, তুমহন্দবা, ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু ওৎ-নৈবা য়েংহনবা অমদি সোলিটরি কনফাইনমেন্ট অসিনচিংবা ফাওবা চথৈ হায়নসু রিপোর্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

অঙাংশিংদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট চত্থবসি মরুওইনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু কিহন্নবা নত্রগা চংজরক্লবা নত্রগা মরাল নমদুনা য়াহন্নবা চত্থবনি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

# খা অমদি অৱাং কোরিয়ানা ইমুং মনুং ওইবা মীওইশিং পুনশিন্নহনবদা য়ানখ্রে



*প্যোংয়াং, ফেব্রুৱারী ৫ঃ* খা অমদি অৱাং কোরিয়া লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্নবা হন্দক প্যোংয়াংনা তকশিল্লকখিবগী মতুংদা কোরিয়াগী লাঞ্জাওনা কায়নহনখ্রবা মীওইশিং অমুক পুনশিন্নহনবদা লৈবাক অনিনা য়ানবা লৈরে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পুনশিনহনবগী থৌরাংদি চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা পাঙথোক্নবা লৈবাক অনিনা খন্নরি। থৌরাং অসি ওইথোক্লবদি ইং ২০১০ গী মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহানবা পুনশিন্নহনবগী থৌদোক ওইগদৌরি। মমাং চহিগী সেপ্তেম্বর থাদা অসুম্না থৌরাং তৌখিবা রি-য়ুনিয়ন প্লান অমসু অৱাং কোরিয়ানা খা কোরিয়াগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা খোঙথাংশিং চত্থরকই হায়দুনা কেন্সেল তৌখিবনি।

হন্দক্কী খোঙথাং অসিসু থা অসিগী লোইরমদাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস-সাউঠ কোরিয়া মিলিটরি ড্রিল অমগী মাঙওইননা লৌখৎলকপনি। মিলিটরি ড্রিল অসি তোক্লবা প্যোংয়াংনা হায়বদা খা কোরিয়ানা য়াখিদবদগী নুংঙাইনদ্রিঙৈ চৈরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মসিগী মমাংদসু খা কোরিয়ানা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা য়ানিংদবা য়াওই হায়বদগী রি য়ুনিয়ন মিটিং খরসু অৱাং কোরিয়ানা কেন্সেল তৌখিবনি।

মতাং অদুদা ক্রিটিকশিংনা রি য়ুনিয়নগী থৌরাংশিং অসি অৱাং কোরিয়ানা মন্তিক্লবগী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নৈ হায়না ইং ১৯৫০-৫৩গী কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা থোকখিবা লাঞ্জাও অদুনা মীওই মিল্লিয়ন কয়ামরুমবু ইমুং মনুংশিংগা কায়নহনখিবনি। অৱাং কোরিয়াদা লৈখিবা ইমুং-মনুং মীওইশিংগা ঙাইহাক্তংগী ওইনা উন্নরগা ময়ুম মরমদমদা হনখিবগী থৌদোকশিং অসি থোইদোক্লা পুক্লিং নুংশিবা থৌদোকশিং ওইবনি। ইং ২০১০ গী নভেম্বর থাদা খা কোরিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা ইথৎ অমদা অৱাং কোরিয়ানা সেলশিং কাপশিল্লকপদগী রি য়ুনিয়ন প্রোগ্রাম অমসু তোকখি। হন্দক লৌখৎলক্লিবা ইমুং মনুং উনহনবগী থৌরম অসি থা অসিগী ২০ দগী ২৫ ফাওবদা অৱাং কোরিয়াগী মাউন্ট কুমগাং রিজোর্টতা পাঙথোক্লবা লেপ্লরি।

মিটিং অসিগী মাঙওইননা খা কোরিয়াগী মীহুৎশিংগী মকোক ওইবা লি দুক হেননা হায়খিবদা হন্দক্কী থৌরাং অসিদা খ্বাইদগী অফবা মহৈ ফংনবা ঐখোয়না হোৎনবা য়াবা পুম্বা অমত্তা খাক্তনা হোৎনগনি। কাইনখ্রবা ইমুংশিংদা ঙল্লিবমখৈ অফবা পাউজেলশিং পীনবা ঙমহন্নবা ঐখোয়না হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক তঞ্জাই অমরোমদি মশাগী চহি ৮০ হেল্লবা খা কোরিয়া মচা পুন্না ৭২,০০০ রোমনা হন্দক্কী রি য়ুনিয়ন মিটিং অসিদা খুদোংচাবা ফংনবা ৱেটিং লিষ্টতা য়াওরে হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# বাগদাদতা পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিরে



*বাগদাদ, ফেব্রুৱারী ৫ঃ* ময়াই থংবা বাগদাদতা ঙসি পোকখাইবগী থৌদোক অহুম থোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিরে হায়না ইরাক্কী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা গভর্নমেন্টকী ওফিসশিং লৈরিবা গ্রিন জোন মনাক্তা থোকখিবনি। ঙসিগী ওইনা খ্বাইদগী মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক্তি ফোরেন মিনিষ্ট্রি বিল্ডিংগী হেক মমাংদা লৈবা ষ্ট্রিট অমদা খামদুনা লৈবা কার অনি পোকখাইরকপদা মীওই ১২ শিখিবা অসিনা ওইখি।

থৌদোক অসিদা শিখ্রবা মীওইশিংগী মরক্তা পুলিসমেন অহুম য়াওখিবগা লোয়ননা ২২ না অশোক অপন নংখি হায়নসু পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরক্লি।

মতম অমত্তদা কার অনি অদু পোকখাইখ্রবা মতুংদা ইকান কান্নদনা স্যুসাইদ বোম্বর অমনা মনাক্তা লৈবা ফালাফেল রেষ্টুরেন্টতা চংশিন্দুনা মশাগা কোন্ননা পোকখাইমিন্নবদা মীওই মঙা শিরগা ১২ না অশোক অপন নংখি হায়নসু পুলিস ওফিসিয়েল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি রেষ্টুরেন্ট অসিগা মসিগী মনাক্তা লৈবা অতোপ্পা রেষ্টুরেন্ট খরদা সিক্যুরিটি এস্কোর্ট ঙাইদুনা লৈবা ওফিসিয়েলশিং অমদি ভিজিটরশিং হেক হেক পুনবনি। মফমশিং অদুদগী সিক্যুরিটি এস্কোর্টশিংগা লোয়ননা মখোয় গ্রিন জোন মনুংদা চংগদবনি। ঙসিগী অয়ুক্তা খামদুনা লৈবা কার বোম অমসু ইরাক্কী ললোন ইতিক্কী ময়োল ওইরিবা খিলানি স্কৱারদা পোকখাইরকখি। থৌদোক অদুদসু মীওই মঙা শিরগা ১১ শোকখি হায়না অতোপ্পা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরক্লি।

# টালিবাননা থুগাইখ্রবা বুদ্ধগী মুর্টি কাবুল ম্যুজিয়মদা নৌনা খিনখ্রে

*কাবুল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* আফগানিষ্টানদা টালিবাননা ইং ২০০১ দা থুগাইখিবা চীং লেল্লবা থাইনঙৈগী (বামিয়ান) বুদ্ধ মুর্টিশিং অদু রেষ্টোরেসন এক্সপার্টশিং অমদি আর্কিওলোজিষ্টশিংনা কন্না হোৎনদুনা কাবুল ম্যুজিয়মদা নৌনা অমুক খিনখ্রে।

য়াম্না ৱানা অতেক অকাইশিং মরক্তগী লৌবা য়াবা শরুকশিং অমত্তা মাঙহন্দনা খোমজিল্লগা নৌনা খিনখিবা মুর্টিশিং অদুগী মনুংদা অনিশুবা নত্রগা অহুমশুবা চহি চাগী বোদ্ধিসত্ব সিধার্থ হায়না খঙনবা খোঙ্গ্রাই চনবা বুদ্ধগী মুর্টি অদুসু য়াওরি।

মুর্টি অসিমক্তি কাবুল ম্যুজিয়মগী খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অমদা খিনখ্রে। ম্যুজিয়ম অসিগী ভেটরান রেষ্টোরর অব্দুল্লাহ হাকিম জাদাসু য়াওনা মীওই কয়ামরুমনা চহি কয়ামরুম হোৎনদুনা হৌজিক্তি মুর্টি অসি খিনবা ঙম্লে। টালিবাননা আফগানিষ্টানদা লৈঙাক পায়রিঙৈদা চত্থখিবা মুর্টি থুগাইবগী থৌদোক অদুগী হেক মতুংদা হাকিম জাদা অমদি অতৈ মীওই কয়ামরুমনা অতেক অকাইশিং অদু ঙল্লিবমঙৈ মশক খঙনা খোমজিল্লগা ফজনা থমজিল্লকখিবনি।

মুর্টিশিং অসি নৌনা শাবদা হান্নগী অশেংবা শরুকশিং অদুসু ঙম্বমখৈ শীজিন্নবা মরমনা য়েংবদা হান্নগী অদুমক্তা মান্নরে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

হাকিম জাদানা থোইদোক্না খোইদানা খিনখিবা অতোপ্পা মুর্টি অমা হায়রগদি কাবুলগী মনাক্তা লৈবা কাপিসাগী আফগান বেজ অসিদা পান্দুনা খা এসিয়াগী অয়াম্বা শরুকশিং পায়শিনখিবা কুসান শাগৈগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা নিংথৌরেল কনিস্কগী মুর্টিসু অমনি।

কনিস্কনা কাবুলদগী অহানবা অমদি মরিশুবা চহি চাগী মরক্তা খা এসিয়াগী লৈবাক খরগী লৈঙাক পায়রম্মী হায়রি।

ম্যুজিয়ম অসিগী আর্কাইভেল হেদ ওইবা মুহমদ য়ায়ে মুহিবজাদানা হায়বদা আর্কিওলোজিগী ওইবা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী শক্তমনি। তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিংদা ঐখোয় কনানো অমদি মখোয়না কনানো হায়বদু খঙবা ঙমহনগদবা পোৎলমশিং অসি ঙাক শেনবা অসি ঐখোয়গী থৌদাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগোগী ওরিয়েন্টেল ইন্সটিট্যুটতগী লাকপা আর্কিওলোজিষ্ট টিম অমসু কাবুল ম্যুজিয়ম অসিগী পোৎলমশিং রেজিষ্টার তৌনবা চহি ৩ গী গ্রান্ট অমা অমেরিকা গভর্নমেন্টনা পীদুনা থবক তৌরকপা হৌজিক তঞ্জাই চল্লক্লে। মখোয়না ম্যুজিয়ম অসিগী পোৎলম পুম্নমক্কী অকুপ্পা দিজিটেল রেকোর্দশিং শেম শাবগী থবক চংশিল্লি। তুংদা থোক্লকপা য়াবা হুরান চিন্থিগী থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্লবা টিম অসিনা হোৎনরিবা থবকশিংগী মনুংদা রেষ্টোরেসনদা মতেং পাংবা অদুগা মালেম শিন থুংবদা লৈরিবা স্কোলারশিংগী রিসোর্স অমা ফংহন্নবা হোৎনবা অসিসু ওইরি। চিকাগো টিম অসিবু লুচিংলিবা অমেরিকান আর্কিওলোজিষ্ট মাইকেল টি ফিসরনা হায়বদা নহাক্কী লৈজরিবা পোৎশক অদু খঙদ্রবদি মদুবু ঙাক শেনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হাকিম জাদানা হায়খিবদা ঐখোয়গী খুৎতা মতম অমদি রিসোর্স মতিক চানা লৈরগদি ঐখোয়না পোৎলম খুদিংমক রেষ্টোর তৌবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# খা অফ্রিকাদা মাইনরশিং লৈনুংদা থোকপা য়াদনা লৈখ্রে

*জোহানেসবর্গ, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* খা অফ্রিকাগী দোর্নকোপ মাইনদা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক অমগী মতুংদগী মাইনর ৯ লৈনুংদা থোকপা য়াদনা লৈখিবদগী মী কনবা মীওইশিংনা লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি।

সনাগী খোনি অসিদগী মাইনর ৮ দি কনবা ঙমখ্রবনি হায়না হার্মোনি গোল্ড হায়বা খনি মপু অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা লৈনুংদা করম্বা মফমদা লৈখ্রবগে খঙদ্রিবা মাইনর ৯ গী মফম খঙনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি হায়না হার্মোনি গোল্ডগী ৱাঙাংলোই জেমস দনকাননা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকখি।

মৈহৌ লাংপোক অদু ঙরাং য়াচংবদগী লৈনুংদা মিটর ১৭০০ লুথনা লৈবা মফম অমদগী হৌরকখিবনি। মী কনবা টিমশিংনা শোকখ্রবা মফমশিংগী অশেংবা ফিভম খঙদোক্লবা হোৎনবদা মৈখুনা মম্বা অদুগা নুংজাওশিং নিংখাইরকপদগী অৱাবা ওইদুনা লৈরে। মৈ অদুসু করম্না হৌরকখিবনো হায়বা শেংবা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মফম অদুৱাইদা লৈবাক নিকপগী খুদম খরদি শোইদনা লৈখি হায়বা হার্মোনি গোল্ডনা কনফার্ম তৌরকখ্রে হায়রি।

# ‘থাইলেন্দদা দেমোক্রেটিক ওইদবা খোঙথাং অমত্তা চত্থবা য়ারোই’

*য়ু এন, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঙরাং ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা দিমোক্রেসিগী ওইবা মচৎশিং কায়বা খোঙথাং অমত্তা থাইলেন্দদা চত্থবদা য়ু এননা য়ারোই হায়খ্রে।

মমাংগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা থাইলেন্দগী জেনরেল ইলেক্সননা রাজনিতিগী চরাংনবা অদুবু লোইশিনবা ঙম্লোইদবগী ফিভম উরবা মতুংদা ৱাফম অসি য়ু এননা ফোঙদোরকপনি।

হৌখিবা নোংমাইজিংদা পাঙথোকখিবা মীখলদা অকাই অতোই থোকহন্দুনা মীখল মপুং ফাহনখিদবা অদুবু সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা পেন্দবা ফোঙদোরকখি। অদুগা য়ানদ্রিবা মায়কৈ পুম্নমক্তা ৱারী ৱাতাই শাদোক্নরগা ইরাং অসি লোইশিন্নবা আপিলসু মহাক্না তৌখি।

দিমোক্রেটিক প্রোসেসপু লায়না লৌবা নত্রগা থাইলেন্দ মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইটপু মৎপা খোঙথাং অমত্তা য়ু এননা য়াবা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনা ৱাকৎ খোঙজং কয়ামরুম চংশিন্দুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা বেলোট পেপর য়ৌরকপা ঙমহনখিদবনি। মদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক থুংনা হাঙদোকপা পোল্লিং ষ্টেসন পুম্নমক্কী চাদা ১০ রোমদা ভোটিং কেন্সেল তৌখিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন্নসু মীখলগী থৌরাংশিং মপুং ফানা লোইশিনবদা চয়োল কয়ামরুম চংবা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক অদুদা ওইরিবা ফিভম অসিগী অরুবা অদুসু খঙবগা লোয়ননা কনাগুম্বা খরনদি মীখলদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখি। অদুবু থাইলেন্দগী মীয়ামনা মশাগী ভোট পীবগী হক ফংবা ঙমহনখিদবা অদুদা সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা নুংনাংবা ফাওই হায়নসু য়ু এননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি।

পিপলস দিমোক্রেটিক রিফোর্ম কম্মিটিনসু বেঙ্কোক্তা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চংশিল্লিবনি।

কেয়ার টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রা অমসুং মহাক্কী কেবিনেট মফম থাদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা মখোয়না চংশিল্লকপা ৱাকৎ খোঙজংশিং অসি থা অহুম্লোম শুরক্লে। মখোয়গী থৌরাংদি রাজনিতিগী ওইবা অহাংবা অমা থোকহল্লগা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা য়াহল্লবা মতুংদা অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লিঙৈদা থাইলেন্দদা পোলিটিকেল রিফোর্মশিং হান্না পুরকপা অসিনি। চৈরক অসিদা ৱাকৎলোইশিং অমদি কেয়ার টেক্কর গভর্নমেন্ট অনিনা খোঙফম হন্দোক্লদনা মতম শাংনা লৈরকপদগী লৈবাক অসিদা মিলিটরি কু অমা থোকপা য়াবগী অকিবসু লৈরক্লে। হৌখিবা চহি ৮০ রোমগী মনুংদা থাইলেন্দদা মিলিটরি কুগী থৌদোক ১৮ লক থোকখ্রবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু কে দা নোংলৈ নুংশিৎনা রেল লম্বী হুমদোকখ্রে



*লণ্ডন, ফেব্রুৱারী ৫ঃ* ইংলেন্দগী খা নোংচুপ অমদি সাউঠ ৱেলসতা শাথিনা কনবা নোংলৈ অমনা য়ৈবদগী রেলৱে লাইনগী শরুক খরা হুমদেক্কুনা থদৎখ্রে হায়রি।

য়ুমথোং লিশিং কয়াসু মৈ ফংদনা লেনখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। ফোরকাষ্টরশিংনা হায়বগী মতুংইন্না নোংলৈ অসি নোং, অখাক অরাও অমদি লেনগা লোয়ননা ইংলেন্দগী নোংপোক্লোমদা হুমখিবা য়ারি হায়না ৱার্নিং পীখ্রে। লণ্ডনদা শিৎখিবা নুংশিৎকী চাং পুংদা মাইল ৫০ গী খোঙয়াংদা শিৎখি হায়রি।

দেভোনগী দাউলিসতা খাবা সমুদ্রগী চেকপল শরুক খরা নিংখাইখিবদগী মেইন রেলৱে লাইনগী শরুক খরা মালংদা য়ান্দুনা লৈহৌখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ঈচাওগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগীদমক পাউন্দ মিল্লিয়ন ১০০ অহেনবা ওইনা কাইথোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোননা লাউথোকখ্রে।

থোক্লিবা খুদোংথিবা অসিবু মায়োক্লবদা এনভাইরোনমেন্ট সেক্রেটরি ওৱেন পেটর্সনগী থবক থৌরমশিং অশোইবনা থল্লে হায়না পাক শন্না ৱায়াম্নবা থোক্লকপদগী ঈচাওগী ফিভম অসি কুপ্না খন্ননবা কোব্রা ইমর্জেন্সি কম্মিটিগী মিটিং অমসু কেমেরোননা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম নাতে চারক্তবদগী ইক্সেটর সেন্ট দেভিটস অমদি পেঞ্জেন্সকী মরক্তা চৎপা লাইন পুম্নমক ক্লোজ তৌখি হায়না মমাংদা ফার্ষ্ট গ্রেট ৱেষ্টর্ননা ফোঙদোকখিবনি।

মফম অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা চখোক-চৎশিন তৌগদবা ৱার্নিংসু পীখিবনি। দাউলিসকী সমুদ্র মপালদা খাবা চেকপল অদুসু নিংখাইবগা লোয়ননা ফুজিল্লকপা অচৌবা ইথকশিংনা রেলৱে ষ্টেসন অমদি রেল লাইনশিং শাথিনা মাঙ তাকহনখি। এনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিনসু মফম কয়ামরুমদা ঈচাওগী ৱার্নিং লাউথোকখি।

কোর্নৱালগী কিংসেন্দদা সমুদ্রগী ইথকনা ময়ুম মকৈ হুমদেকখ্রবা মীওই ২০ ইভাকুয়েট তৌখ্রে। ঙরাং অহিং দেভোন অমদি কোর্নৱাল পুলিসনা ইমর্জেন্সি কোল ৩০০ লোম ফংখি। উপাল ১০০ রোম হুমদেকখি। ৱাইটনদা অকনবা নুংশিৎ অমদি সমুদ্রগী ইথকনা ৱেষ্ট পিয়ার স্কেলেটনগী শরুক খরা নিংখাইহনখি। তোরক্রোসকী সমুদ্র মপালদা লৈবা ইমুং কয়ামরুমসু ইভাকুয়েট তৌখ্রে। পোর্ষ্টমাউঠকী ইতিহাসিক ওইরিবা দোকয়ার্দ ক্লোজ তৌখ্রে। সাউঠ ইষ্টর্ন রেলৱেনা হায়বদা মসিগী নেটৱার্ক মনুং চনবা মফম কয়ামরুমদা ত্রেনগী খোঙজেল পুংদা মাইল ৪০ দগী হেন্না য়াংবা য়ারোই হায়না অথিংবা থম্বদগী লমশাং চৎকদবশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহনখি হায়রি।

# রসিয়াদা রেলৱে গ্যাস টেঙ্করশিং পোকখাইখ্রে



*মোস্কো, ফেব্রুৱারী ৫ঃ* রুসিয়াগী ইমর্জেন্সি সিচুয়েসন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা গ্যাস পুবা রেলৱে কন্টেন্নর দজ্জন কয়ামরুম গুরুং চত্তুনা পোকখাইরকপদগী অচৌবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মোস্কোগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা মফম অমদা থোকখিবা থৌদোক অসিদা মনাক্তা লৈবা মীওই চা কয়ামরুম শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখিনবগী থৌরাং অমা পায়খৎলে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রিনা হায়বগী মতুংইন্না মোস্কোগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ৮০০ লোম চৎলগা লৈবা কিরোব সিটিদা ঙসি খুদোংথিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

গ্যাস থন্না হাপ্পা গ্যাস কন্টেন্নর ৩২ রোম পুবা ত্রেন অদু গুরুং চৎপদগী মৈ হৌরকখিবনি। অদুবু থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপনদি য়াওখিদে। মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়বগী মতুংইন্না ষ্টেসন অদুগী অকোইবদা পাক চাউরবা মফমশিং মৈনা লাঙ্গোই চনখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মৈজাও হৌদুনা চাকপা অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিংশিংগী রেসিদেন্ট ৭০০ লোম শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকপা তাখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। ইমর্জেন্সি ৱার্কর চা কয়ামরুমনা খুদোংথিবা অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি হায়রি।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-145

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | 6 | | |
| 7 | 3 | | | 2 | | | | |
| | | 6 | | 9 | | 8 | | 2 |
| | 9 | | 1 | | | | | 5 |
| | | 7 | 9 | | | | | |
| | | | | 6 | | 7 | | 3 |
| | | | | 7 | | 5 | | 1 |
| | | 9 | | 8 | | | 2 | |
| | 6 | | | 3 | | | | |

Prepared by : ROGER -A

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 5 | 8 |
| 9 | 1 | 4 | 7 | 5 | 8 | 6 | 2 | 3 |
| 3 | 5 | 8 | 6 | 2 | 4 | 1 | 7 | 9 |
| 8 | 6 | 7 | 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 2 |
| 2 | 3 | 5 | 4 | 9 | 7 | 8 | 6 | 1 |
| 4 | 9 | 1 | 8 | 6 | 2 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 4 | 3 | 9 | 8 | 5 | 2 | 1 | 6 |
| 1 | 8 | 6 | 2 | 7 | 3 | 5 | 9 | 4 |
| 5 | 2 | 9 | 1 | 4 | 6 | 3 | 8 | 7 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*